ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯖꯨꯟ ꯲꯱, ꯲꯰꯱꯸, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯲ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯸꯸ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

শগোলশেন, জুন ২১, ২০১৮, ইম্ফাল

৪২ শুবা চহী, ৮৮শুবা মশীং


# পেটর্নিটি লিভ

## *মমাগুম মপাদসু ছুটি পীবগী তঙাইফদবা*

মতম অমদা নুপানা থবক শূদুনা শেল তাল্লগা নুপীনা ইমুংগী মকুপ-মতা কুপনোম পূন্নমক নোঙ্লম্মী। মতমগী অওনবা মতুং ইন্না হৌজিক্তি নুপীসু নুপাগা চপ মান্নবা মওংদা মপান থোক্তুনা শেল তানবা হৌরে। রাইট মান্নরকপদগী নুপা-নুপী চপ মান্নবা থৌদাং লৌরকপনি হায়বা য়াই। শিনফম খুদিংমক্তা চপ মান্নবা থৌদাং লৌমিন্নরকপগা লোয়ননা নুপাসু ইমুং মনুংগী থৌগায় পুবদা মান্নবা থৌদাং লৌরকপগী ফীভমদা লাক্লে। তাইবঙ মপূগী কায়ফদ্রবা য়াথং মতুং ইন্না থাবুম ১০ নাউপুবা অমসুং অঙাং উনবগী থৌদাংদি নুপী ওইবীশিংনা লৌরি। মমা অমা ওইনা নুপী খুদিংমক অয়াম্বা মতমদা পোকপা কুইদ্রিবা মচাগী মনাক্তা লেংদনা লৈবা মথৌ তাই। লৈঙাক্লসু ৱাফম অসি ময়েক শেংনা খঙলকপদগী কুমজা ১৯৬১দা মেটর্নিটি বেনিফিট এক্ট চৎনহনখি। লৈবাক্কী মফম পূন্নমক্তা ফেক্টরি, মাইন নৎত্রগা প্লান্টেসন অমসুং মীওই ১০দগী হেন্না থবক তৌবা দুকান নৎত্রগা ইষ্টাব্লিসমেন্ট খুদিংমক্তা চৎনরবা এক্ট অসিগী মতুং ইন্না মমা ওইগদৌরিবা নুপীশিংবু অঙাং উনরমদাই অমসুং উনরবা মতুংদা তোলোপ ককপা তৌদনা অকক্লবা মতম খরা ছুটি পীগদবনি। এক্ট অসিগী মখাদা চয়োল ১২ ফাওবা ছুটি পীবগা লোয়ননা ছুটি পিদ্রিঙৈ মনুংদসু নুপী মশামক নৎত্রগা পূক্লুংদা লৈরিবা অঙাংদা অকায়বা থোকহনগদবা মওংদা থবক শূহনবা য়াদে। লৈবাক অসিখক্তদা নত্তনা মালেমগী মফম পূন্নমক্তা ইমপ্লোয়ী অয়াম্বনা ময়ূম পানবদা ঙায়রিবা নুপীশিং থবক চঙহন্নীংদবগী মওং অমা ময়েক শেংনা উবা ফংলি। লন্নাই লোইশঙদা থবক তৌরিবা নুপীশিং মশা ৱাই শংলক্তবা মতমদা ইমপ্লোয়রনা মরম অমা নৎত্রগা অমা পীশিন্দুনা থবক্তগী লৌথোক্লবা হোৎনবগী মওং অমসু চথৈ হায়বা য়াই। মেটর্নিটি বেনিফিট এক্টকী মতুং ইন্না মশা ৱাই শংদ্রবী নুপী নৎত্রগা পূক্লুংদা লৈরিবা অঙাংদা অকায়বা পীগদবা থৌওং অমত্তা চত্থরোইদবনি। মীরোনবনা মরম ওইরগা হকচাং ঙম্লক্তবদগী থবক কারক্তবা মখল অমত্তগী চৈরাক পীবা তৌরোইদবনি। তৌবগীবুদি মশা ৱাই শঙদ্রবী নুপী ইমপ্লোয়ী অমনা খুদম চাংদম ওইবা য়াবা মেদিকেলগী ওইবা মথৌ তাবা চে চাং পূন্নমক মাঙজৌননা পীশিনবগা লোয়ননা মতম চানা পাউ পীবগী তঙাইফদবা লৈ।

মতাং অসিদা খন্নবা য়ারিবসি অঙাং অমা য়োকপদা তঙাইফদনা মথৌ তারিবা পূন্নমক অদুনি। তুংগী য়ূম্বীনি হায়নরিবা অঙাং খুদিংমক অচঙবা মীশক অমমম ওইহনবা মথৌ তাবনা অঙাং শেম্বদা পূক্লিং চঙফম থোকই। অঙাং অমবু মতিক চাবা মী ওইনবা শেম্বা হায়বসি অরায়বা থবক নত্তে। মসিদা মমাসু-মপাসু, খুন্নাইসু চপ মান্নবা থৌদাং লৌমিন্নবা মথৌ তাই। ৱাখল্লোন অসিদা য়ূম্ফম ওইরগা অঙাং য়োক্লবগীদমক মমা ওইবীশিংদা মেটর্নিটি লিভ পীবগুম মপাদসু পেটর্নিটি লিভ পীনবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই। লাইবক থীবদি ইনি দয়া য়াওনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক ৯২দা পেটর্নিটি লিভ পীনবা থৌশিল শেম্বা লৈত্রি। য়ুনাইটেদ নেসন্স এদ্যুকেসনল সাইন্টিফিক এন্দ কলচরেল ওর্গেনাইজেসন (য়ুনেস্কো)গী রিপোর্ট অমনা হায়, মালেমগী লৈবাক অয়াম্বদা ইমুং-মনুংগী খুদোংচানবগীদমক ফেমিলি ফ্রেন্দলি ওইবা থৌশিল কয়া শেল্লবসু ইন্দিয়া য়াওনা লৈবাক ৯২দা পেটর্নিটি লিভ পীনবা থৌরাং লৌখৎপা লৈত্রি। পোকপা কুইদ্রিবা অঙাং লাক্ষ ৪০ রোম লৈবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমদি অতোপ্পা লৈবাক নিপালদা তোলোপ কক্তনা মেটর্নিটি নৎত্রগা পেটর্নিটি লিভ পীনবা থৌশিল শেমদ্রি। ব্রাজিল অমসুং কোঙ্গোনচিংবা লৈবাকশিংদদি মপা ওইবশিংদা পেটর্নিটি লিভ পীনবা থৌশিল মতিক চানা লৈরে। অঙা অমনা তাইবঙদা হেক খোঙদারকপদগী মমা-মপাগা লোয়নদুনা লৈরবদি পূক্লিং-ৱাখল নুংঙাইবা মরম্না ব্রেন ফৈ অমসুং পুন্সিদা মতিক চাবা মীশক অমা ওইরকপা য়াবগী চাং ৱাংনা লৈ। অঙাং অমগী পুন্সিদা মপাগী থৌদাং কয়ামুক য়াম্না মরু ওইবগে হায়বদু মপা য়াওদনা মমা লুখ্রাবীনা য়োক্লকপা অঙাংশিংদা য়েংলগা চাউরাকপা অমা শোয়দনা খঙগনি হায়না য়ুনিসেফকী ইগজেক্যুটিভ দিরেক্টর হেনরিটা ফেচরনা ফোঙদোকখি। তশেংবসু অঙাং অমগী মফমদদি মপানা মালেমদা খ্বাইদগী ফাওবা হিরোনি অমসুং মমানা খ্বাইদগী ফাওবী হিরোইননি। নৌরিবা অঙাংগী ৱাখলদা মপানা পূন্নমক্তগী অথোইবনি অমসুং মমানা পূন্নমক্তগী অথোইবীনি। মমা-মপাগী মতম্বাক্তা নাউথি শাজরিবা অঙাংনা খুদোংথিবা অমত্তা মায়োক্লরোই অমসুং শিংনবা পূন্নমক মায়োক্লবা ঙমগনি খঞ্জরিবনি। চাউবা শারেপ ফারক্লগা মরোমদোম লেপচবা ঙম্লক্লবা মতমদা ৱাখল হোংখিবনা তোঙানবা ৱাফম অমনি। পীক্লিঙৈ মতমদদি অঙাং অমগী মফমদা মমা-মপা অনীমক চপ মান্ননা মরুওই। অমত্তং ৱাৎপদা পূক্লিং-ৱাখলগী ওইবা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লরিবনি। পূন্নমক অসিগী য়েংলগা ইন্দিয়াদসু মমা ওইবীশিংখক্তদা মেটর্নিটি লিভ পীবগী মহুত্তা পেটর্নিটি লিভ পীনবা থৌশিল শেম্বা মথৌ তারে হায়জনীংই।

## *••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••*

### লম্বী শেম্বা লোইশিনবীয়ু

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

**মণিপুর** য়ুনিভর্সিটি গেটতগী লিলোং থোং ফাওবগী লম্বী অসি হৌজিক শেমজিনবা লোইদনা লৈরিবসি ইকায়খুম্নবদা মতিক চারবা হৌজিক হৌজিক পাল্লিবা বি জে পি লৈঙাক অমসুং মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা অথুবা মতমদা শেমজিনবীয়ু হায়না পাউচেগী থোঙদা নোল্লুক্লা হায়জরি।

য়ুনিভর্সিটি গেটতগী লিলোং থোং ফাওবগী লম্বী অসি পাকপগী চাং ৱাৎপনা মরম ওইদুনা এক্সিদেন্ট থোক্কদ্রা হায়বগী মীপাইবা মীয়ামগী থম্মোয়দা চাউনা লৈনরি। মরম অদুনা এক্সিদেন্ট থোক্তুনা মীশি-মীনা থোক্ত্রিঙৈদা মরী লৈনবশিংনা অথুবা মতমদা হায়রিবা লম্বী অসি শেমজিনবীনবা অমুক্কসু হন্না নোল্লুক্লা হায়জরি।

*অদোমগী - লৈশাংথেম খেলেন্দ্রো*
*কৌত্রুক ময়ায় লৈকায়*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৪

১। অরিবা মণিপুরীদা উচেক-ৱায়া, হৈ-লৈগী মমিংসি শলাইশিংগী অরিবা সাহিত্যদা য়ূম্ফম ওইদুনা কৌনবা চৎনরম্মী।
(ক) 'থিংবাই নিংথৌ পাউহনচেক' করি উচেকনো?
(খ) 'পলেম পীকাউহৈ, তালোই তুকাউহৈ' করি উহৈনো?

২। হিজম গুনগী 'বীর টিকেন্দ্রজিৎ রোড' অসিদা ৱারী মপূম অমা য়াওদে। থিমগী য়ুনিটি লৈতে।' অদুবু একাউন্টেন্ট বাবু অদুনা ৱারী ময়ামদু অমতা ওইনা লেংশিল্লকপনি। মাগী ৱারীদা য়াওরিবা কলকতাদনা দাস ইম্ফালদনা চেটর্জি হায়না শাইওনবা নুপাদুগী মমিং অশেংবা করিনো?

৩। "অসোমদা/কনাসু হন্না য়েংলমদে, তুমীৎফাও পাইরমদে/কেল্লবা মকোক লৈমায়থক্তা তারম্মী।" পরেংশিং অসি কবি থাংজম ইবোপিশক্কী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। "শম্বুল চোইরবী নুপী অমগী শল্লাংবু নীংথিজনা খোমজিন তাশিন্দুনা শাগে অমগী মৌ ওইনা লৈতেংহন্নীংবদু মাঙহনবীখ্রে।"
পরেং অসিনা 'কীন্থরবা শম্বুল' হায়বা রেদিও দ্রামা অমদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো?

৫। "মাঙদগী টোর্চ লাইট শৎ পায়খৎলগা মমায়দা কাপশিল্লি, মশক্তু মুন্না য়েংই/ওহ: নঙ!" পরেংশিং অসিনা সুনিতা নিংঙোম্বম্না ইবা ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। ৱারীমচা অদুগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# আশা অমসুং অকিবা

**সোইবমচা ইন্দ্রকুমার**

**মালেমদা** কন-থৌরবা মিলিটরি-শক্তি অমা ওইনা অনীশুবা লাঞ্জাও মনুংদা মঙক হাইগৎলকখিবা জপান, হিরোসিমা অমসুং নাগাসাকিদা অমেরিকানা এটোম বোম থাদদুনা জপানগী নাপল থুদেকখি। মায়থীনি খনখিদবা জপানিজ ফোর্স, এল্লাইদ ফোর্সতা চঙজখি। মীওইবগী মতৌ মাঙখ্রবা হিরোসিমা অমসুং নাগাসাকিগী শক্তমদুনা জপানিজ মচা খুদিংমকপু অকিবনা লাকহৎখি। অদুবু কিবনা লাকহৎলবা জপানিজশিংগী আশাদুদি মাঙখিদে। আশাদুনা অকিবদু নমহৎখি। চহী খরগী তুং, মাঙ তাকখ্রবা জপানিজ নেসন ইকনমিক পাৱর অমা ওইরকখি। মাঙ তাক্লবই মশক ওইরবা লানগী পোলিসি তুংওইনখি।

'মাগী লমদা নুমিৎ তাবা লৈতে' হায়নরম্বা বৃটিশ সম্রাজ্যগী মায়োক্তা থেংনখিবা ইন্দিয়াগী নীংতম লান 'আশা' কৌবা মীওইবগী ৱাখল-লীচিং অদুনা লমজিংলগনি। কল্লবা বৃটিশকী মিলিটরি শক্তিবু, ফৈজোম শেৎপা, ফুরিৎ লিত্তবা, খূৎলায় পায়দবা গান্ধী'না 'খজায়দা খুপাক থারক্লবদি অতোপ্পা খজায় নামদুদসু থাহল্লু' হায়বা থৌশিলদুগা লোয়ননা মায়োক্লগনি খনখিবা - মায় পাকপই মঙ কনানা মঙলমগদগে? অদুবু, মীয়াম্না গান্ধী'দা থাজখি, মখোয়গী আশা মাঙখিদে, ইন্দিয়া নীংতল্লকখি। গান্ধী'না ফিদম ওইদুনা খা-অফ্রিকাগী লুচিংবা 'দাক্তর নেলসন মন্দেলা' না জাৎ-কুচু-নাইবা-থৌশিলদুগী মায়োক্তা লাম্হেংনখি। চহী ২৭ কৈশুমশঙদা নমশিন্দুনা থমখি। মহাক্কী আশা কায়খিদে। থৌশিল অদু লোইশিনখি। কৈশুমশঙদগী থোরক্লগা প্রসিদেন্ট ফাওবা ওইরকখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী পাউরৌ অমা লৈ ... 'নুমিত্তা মীৎয়েং থল্লবা, মমি উবা ফংদবনি'...। থোইনা লুনা খল্লুদে, করি হায়রিনো খঙলুদে। মুন্না খল্লুরগা খঙলকই - মীওইবগী মীৎয়েং অমদি আশাগা মরী লৈনরম্মী। স্পেস এক্সপ্লোরেসন - অহাঙবা তরং-মালংসিবু থিজিন-হুমজিন তৌগনি, অহাঙববু জয় তৌগনি খল্লকখিবা মীওইবগী ৱাখল-আশানা ময়োন চোঙলকপনি। অতিয়াগী থাজদা 'নচা মোরাম্বী পোবীগে হৈবোং চরোং থাদবীরকউ' শৈথারম্বা মীওইবনা থাদা খোঙ্গুল তারুবা আশানা লমজিংলগনি, অশাদুনা ঙসিসু 'মঙ্গল-গ্রহ' (মার্চ) তা খুন্দারুগনি - মঙ মঙলি মীওইবনা।

আশা অমসুং অকিবা! অনীমক পূক্লিং ইহুল ঙাক্তনি। আশানা মীওইববু পুন্সি খোঙচৎ অসিদা মাঙলোমদা পুখৎলি। অদুগা, অকিবা হায়বসিনা, খোঙচৎসিদা খোঙথাংসি মাঙদা থাংবা ঙমহন্দে। ইন্দিয়াগুম্বা লৈপাকসিদা, নোংমগী চরা অমা চাব ফংদ্রবা লায়রবা মী লৈ মশীং থিঙমদনা। চাদ্রবদি শিগনি - খঙদবা মীওইবা লৈরম্লোই। নোংমই ৱা নত্তবা, নীনি-হুমনি-মরিনি চাব ফংদ্রবা মীওইবা-মখোয়বু হিংহল্লিবদি 'হয়েংদি শোয়দনা পুক থন্না চাগনি' হায়বা আশা অদুননি। 'মেন দজ নোট লিব বাই ব্রেদ এলোন' - চাকখল্লা মীওইববু হিংহনবা নত্তে ... পূমকক চাউরকপা মতমদা এসে ইয়ু হায়দুনা ওজানা য়াম্না হায়গনখিবা ৱাফমনি। ঙসিতমক ৱাখল তারকই।

মশীং খঙদ্রবা মীওইবা মশেল শোক্লখিবা লানফম কয়াগী মতুংদা মালেমগী ওইবা (পৃথিবীগী) লাঞ্জাও অনী থোকখ্রবগী মতুংদা, অতোপ্পা অহুমশুবা লাঞ্জাও অমা থোক্তনবা, লৈপাক (নেসন) অমগা অমগগী মরক্তা নুংশি মরী চেৎশিন্নবা, মালেমদা শান্তি পুরক্লবা 'য়ুনাইটেদ নেসন্স ওর্গেনাইজেসন' লীংখৎখি। মরক মরক অমগা অমগগী মরক্তা উংখৎনবা কয়া থোক্ল'সু মালেম শিন্না মাঙহন তাকহনগদবা মওংদা উংখৎনবা থোক্ত্রিবা-য়ু এনগী আশাদুগী মপান্দগীনি। ঙসিগী মীওইবা খুন্নাইনা লাংতক্ল রিবা - কিরিবা, মালেমসিবু থুগায়বা ঙম্বা ন্যুক্লিয়র - খূৎলায় পায়নরকপা, শেন্নহৌদবা মীকূপ অমদা শীজিন্নরক্কদ্রা হায়বসিনা মরুনি। অৱাং কোরিয়া লৈপাকসিবু মালেমনা ঙসি কিরিবা, অমেরিকানা নুংনাংলিবা, মথোঙ হুক্তবা লৈঙাকপদুনা মথোঙ হুক্তবা ৱারেপ অমা লৌরক্কদ্রা! খল্লুবদুননি। অদুবু, অকিবদু আশানা লাকশিন্নবা হোৎনরি।

নহা ওইরিঙৈ তৌগে খনখিবা থবক কয়া পুন্সিগী য়াচঙবা মতম নকশিল্লক্লবসি ফাওবদা তৌবা ঙম্নি হায়বগী মমি ফাওবা উদ্রবা, পূক্লিংদতা মপাল শাবা আশা ওইনা লৈহৌরবা থবক কয়া লৈরি ঙসিসু ঐহাক্কী। আশা অদু ঙসিসু ময়োল কংবা নাইদ্রি। খল্লি - নোংমা শোয়দনা ঙম্লকখিনি। ইশাগী অশোনবদুবু পাঙ্গল ওন্থোকপা ঙম্বদুনি মায় পাকপা। পুন্সিসিদা হিংববু মায় পাক্তবা য়াদে হায়বা লৈবরা। কনানো'মনা হায়রম্বা মায় পাকপই দিফিনিসন'নি - 'কনাগুম্বা অমত্তবু মায়থীবা পীগে খল্লুদবা'। মীপূম খুদিংগী থম্মোয়বু খোনবা ঙম্বদুনি 'মায় পাকপা'। কনাবুসু নোক্লরুনু, পূন্নমক্কা নোকমিন্নৌ। শাগৎচখিবা মঙলান অমা মঙফাওনহনবা ঙমদববু পুন্সিগী মায়থীবনি খল্লবা, মিক্কি-মাউস-কার্টুন পুথোক্লম্বা ৱাল্ট দিসনি নীংশিংসি। হায়নৈ - ৱাল্ট দিসনি, উচিবু য়াম্না কিজখি, হৈনখিদে। হৈনদবা উচিদুবু মাগী ৱাখল তাইবঙগী হিরো অমা ওইহন্নীংখি। কার্টুন ওইনা য়েক্লগা ৱারী কয়া শাগৎখি। ফিল্ম ওইনা নমথোকখি। কনানসু মৱা লৌবিখিদে, কনানসু য়েংবীখিদে। করেম্নফম ওইরকখি - হৈদি হৈতনা করিগী কার্টুনিষ্ট ওইগে হোৎনরুরিবা! অমুক্তা নত্তে, অনীরক নত্তে। চাম্মা চনিরক হোৎনরবসু মায় পাকপা কার্টুনিষ্ট ওইবা ঙমখিদে। অদুবু মহাক্কী আশা কায়খিদে, হন্না হন্না হোৎনখি। মায় পাকখিদ্রবা, মীনা হন্না য়েংবীদ্রবা মিক্কি-মাউস-কার্টুন-ফিল্ম চহুম হেন্না পুথোক্লবা মতুংদনি - 'মিক্কি মাউস' ফেনোমেনন ওইবা উচি ক্যারেক্টর অমা ওইরকখিবা। বিল্লিয়ন দোল্লার কম্পেনি অমই য়ূম্ফম থোনখিবা। মায় পাকখিদ্রবা হৌখ্রবা মীকুপশিং অদুবু হন্না য়েংদনা, শকউদবা তুংলমচৎকী আশাদুনা লমজীংবা পুন্সি অমা লেল্লকখি।

মশীং লাকঙমদ্রবা মীওইবনি 'পোজিটিব হোপ' অমগা মালেমসিদা হিংলিবা। পামজবা শিনফম অমদা মতম খরা হোৎনরম্লগা তোকখিবা। নক্লবা ইমুং মনুংনা, লোয়নবা মরূপ মপাংনা, শামান লেংমান্নবা ময়াম্না পূক্লিং হনজানবা ৱাঙাঙ নত্তনা আশা পীবা ৱাঙাঙদি কৈদৌনুংদা ঙাঙলক্লোই। অদুনা হায় লুচিংবশিংনা ... নথম্মোয়গী ৱা নত্তনা কনামত্তই ৱা তারুনু।

মতাংসিদা নীংশিংলকই - অফাওবা সাইন্টিষ্ট, ইনভেন্টর থোমাস অলভা ইদিসনগী ৱারী অমা। মহাক্লা পুমকক চাউরকপঙৈ নোংমা স্কুল ওজানা ইদিসন'দা 'মমাদা পীনবা চিঠি' অমা পীরকখি। চিঠি অদু পারগা, মচাবু নুংশিনা কোল্লগা কপখি হায়। মথংগী নুমিৎ অদুদগী ইদিসনবু মমানা স্কুলদা থাখিদরে। চহী কয়াগী মতুংদা, মমা লৈখিদ্র' মতুংদা মমাগী অমনবা উপুদুগী মনুংদা চেকশিন্না লুনা থল্লম্বা চিঠি অমা থেংনখি। অদুঙৈ, মহাক্লা স্কুল তন্নিঙৈ ওজানা পীরকখিবা চিঠিদুনি। চিঠিদুদা ইরমখি ... 'নঙগী নচানুপাসি হীরম অমত্তদা চন্নরোই, মহাক্লা মরম ওইদুনা স্কুল অসি চেন্থরনি, হয়েংদই স্কুলদা থারক্লনু'। মতমদুদা মমানদি, করি হায়রিনো হংবদা 'নঙসি স্কুল অদুদা খ্বাইদই ফবা মহৈরোয়নি হায়দুনা থাগৎ ৱাহৈ পীরক্লিবনি' হায়দুনা মীনমখিবনি। চিঠি অদু পারবা মতুংদা ইদিসন'না মাগী দাইরিদা ইরমখি ... 'হীরম অমত্তদা চন্নরোইদবা, মাঙলবা অঙাং অমবু মমানা থোমাস অলভা ইদিসন কৌবা লাইপোক্লম্বা মীশক অমা ওইহনখি'...। মহাক্কী খুন্নাইনা, স্কুলনা হায়নীংবা ৱা হায়রবসু, মহাক্কী মচানুপাদু অচৌবা মী অমা ওইহনগনি অমদি ওইরক্কনি হায়বা আশা অদু মাঙখিদে। ওইথোক্তবদু ওইহল্লকখি।

নীংথিনা মহে হৈরবা, হৈ-শিংলবা, তৌবা ঙম্বা নহারোল কয়া ঙসি চন্নদ্রবা মী ওইনা, আশা মাঙখ্রবা মী ওইনা লৈরি। পোলিটিসিয়ন নত্তবা পোলিটিসিয়গী পোলিটিক্স'না মাঙহল্লবা লৈপাকসিনা মখোয়গী মফম পীবা ঙমদে, মখোয়গী শীজিন্নফম লৈহন্দে। খ্বাইদই লুরিবা অমদি অফবা মী অমত্তনা পোলিটিক্স'তা চঙনীংদে। অফবা খুন্নাই হায়বসি অফবা পোলিটিক্স'না পুরক্কদবনি হায়বসি, আশা য়াওদ্রবা, অকিবনা লাকহৎলবা নহারোলগী ৱাখলদা পোক্ত্রিবসিনি লুরিবা।

# ঐখোয়গী খুন্নাইসিদা -৩

**ডা. থৌনাওজম রুহিচান্দ**

**ঐখোয়গী** খুন্নাইসিদা নৌনা চৎনখৎলক্লিবা চৎনবী কয়াসি অঙক-অঙকপনি। চাওখৎলক্লিব্রা নৎত্রগা ঙাওখৎলক্লিব্রা হায়নসু মরক-মরক্তা অমুকসু খল্লকই। লুহোংবা নুমিত্তা বোম-বম্বুলা কন্না থাগৎনরকপা, লুহোংফমদা, শোরাৎ শোনফমদা অহৌবা স্পিকর পান্দুনা পুঙ-ঈশৈ কন্না তৌখৎনরকপা, ৱানোম শরেং থিন্দুনা এম পি এস সীগী কোলেজ ওজা খনজিল্লকপা, লুপা তরাখক পীবা ঈশিং বোট্রলদু রেষ্টুরেন্টতদি লুপা ২০দা য়োনবদা কনামত্তা ৱাকৎনদবা, চেল্লুরবা নুপীশিংনা অমুক লৈশাবী শাদুনা নুপা অনৌবা অমা অমুক থিরকপদা ইকায়বা পোক্লদ্রবা, প্রাইভেট ট্যুসন তৌবনা ওজাগী অচারম ওইনা লৌনরকপা, মরোই লুপা ৫খক্কী লৈবদা ফাওবা পোলিথিন খাও লৌনখৎলকপা, লুহোংবদা গাড়ী মশীং য়াম্না চৎপা তান্নখৎলকপা, নুপী মানবী নুপাশিংনা পুরা নুপী শাদুনা লমজাও-সরক্তা থোরকপা, খ্বাইদগী পাবা ফিরোল শেৎলগা নুপীনা কেথরগা থবক চৎখিবদা মাগী নুপানা করিমত্তা হায়জবা ঙম্নরক্ত্রবা, ত্রাফিক পুলিসনা লম্বী থিংলবফাওবদা ঐ হান্না চৎহৌরগা লোইরে খন্দুনা গাড়ী পংথৌদা থৌজিন্নরকপা, খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী অকোয়বদা খোঙ লম্বীশিংদা ফমদুনা পোৎ চৈ য়োনশিন্নবা অসিনচিংবা থাবদা লোইবা নাইররোইদবা অনৌবা চৎনবী কয়ানি ঐখোয়গী লমদমসিদা নৌনা উবা ফংলক্লিবসি। মসিগুম্বা কয়াসিননি ঐখোয়গী চাওখৎপগী থাক অমদি নাৎ-পু তাবগী চাং লেপ্লীবসি।

**নুপাগা নুপীগা ইকায়থিগনবা কনানা হেল্লি ?**

নুপীদি ইকায়থিগনবী মপোক্তা পোকপনি হায়না অইবশিংনা হেক হেক শৈথানৈ। অদুবু নুপীশিংনা হৌজিক মতমদা শেৎ-চারিবা কা হেন্না কৌবা, য়াম্না পীকপা, অপাবা অমদি কোৎথোকপা ফিরোল কয়াসি য়েংলুরগদি নুপীশিংসি ইকায়বা য়াম্না থিগল্লি হায়বসি কনানা য়ারক্কদৌরিবনো? মালেমগী ওইনা য়েংবদা অচৌ-অচৌবা ফঙ্কসনশিং, পার্টিনচিংবা কয়াদা কেথরগা লাক্লরিবা নুপীশিংগী ফিজেৎ-চাকচাশিং অসি মীয়াম্না লোইনা উনরবা ঙাক্তনি। ফজবগা ইকায়বগা লৈনরিবা মরী অদু অমুক্তং নৈনমীন্নরবদি 'কেব-মৌবা' হায়বসিদা 'মৌবা' হায়বা ৱাহৈ অমা য়াওরল্লিবসিগী ৱাহন্থোক্তু খঙনরকখিগনি।

**লুকমন অমদি ফিমন খুনবা :**

হিন্দুগী চৎনবীরা নৎত্রগা মৈতৈগী অরিবা চৎনবীরা খঙদে লুহোংবা নুমিদাংগী চাক চাবদা লুহোংলিবা নুপাদুনা চারম্বা অরেম্বা লুকমন (লুখাক-চাক-এঙ্গাং অরেম্বা) অদু মৌ অনৌবীদুদা পীজনবগী চৎনবী অমা হেক হেক উবা ফংই। করি করম্বা ৱাখল্লোন্দা তৌনরিবা চৎনবীনো খঙদে। নুপীনা ঙম্বা নুপা হায়বদু ওইদনবা তৌরিব্রা নৎত্রগা সতি ধর্ম্ম ঙাক্লিবা হায়বদুরা? ওজাগী য়ূমদা লৈরগা মহৈ তম্বা (মাইবা, পেনা, মাইবী, থাঙ-তা, জগোয়-ঈশৈনচিংবা) মনুংদা ওজানা চাবগী লুকমন অদু মাগী মচা-মনাইশিংনা খুনবা তান্নবগী চৎনবী অমসু লৈরি। ওজাগী মতিক ময়াইদু খরদং ওইরবসু ফংজননবা তৌরিব্রা নৎত্রগা ওজাগী থাক্তুদগী হেনগৎতনবা ওজাগী মখা থানা সুম লৈননবা মীশুম-লাইৱারা? হায়নবা অমদি লৈ - মহৈ তমখৎলক্লিবা, মীথোই-মীহেন তাল্লক্লিবা, য়েক্লবা লম্বা পাননবা শেম শারিবা, মাইচৌ ওইননবা হোৎনরিবা মীওইশিংনা লুকমন-ফিমন শোকহৈদে, চাকমাং-ফিমাং নলহৈদে। পোলাংখোক মখা লিৎহৈদে, তুমন লৌহৈদে, পৌনা নমহনবা য়াদে, ইশাগী মমীদা মীনা নেৎহনফদে, চাকচা-য়িথক কায়ফদে, লমচৎ কারন চৎফদে, মীৎয়েং কারন চলহৈদে অসিনচিংবা তৌহৈদবা কয়া অমা লাইওইখ্রবা মাইচৌশিংনা, ইপা-ইপুশিংনা চেকশিন্না-লুনা থম্বীরম্মী। নুমিৎ-থবান অমদি মায়কৈ য়েংদনা লমফৈ চৎপা, অরুবা থবক হৌবা, খুজিল-খুয়া, শম-না ককপা, চাকতিন-ফিদিন্নবা, লাইথৌ পাঙবা মীদি মীয়ামদগী থোইদোক-হেন্দোকপা অফবা থবক তৌবা ঙমলোই হায়নসু তাকপীরম্মী।

**মী অফবা লাইনা পাম্মী :**

মী অফবা (মীথোই-মীহেনবা, অরানবা তৌবশিংবু তাথিবা মীয়ামগী য়াইফনবতা খনবা) হায়বসি থম্মোয় পীকপা, ৱাখল থেনবা, কল্লক-কঞ্জাওবা, মীহৌ চাউবা, মশাগীতা খনবা, মীনা ৱাবা উরগা কল্লক-পেঞ্জবা মীওইশিংনা য়াম্না য়েংথি, য়াম্না কল্লকই, য়েক্লবা ওইনা উই, মথ্বায় ফাওবা লৌনীংবমখৈ নুংশিদে। মরম অদুনা অফবা মীশিং অসি মীফত্তশিংগী মখূৎতা খুদোংথিবা হেক হেক নংই, মথ্বাই য়াম্না মাঙগল্লি। শিরবদি লাইগী মনাক্তা হেক হেক চৎলি। অদুনা লাইনা পামদুনা তৌরিবনি হায়না হেক্তা হায়জিনবীবা ওইরমগনি হায়না খল্লি। পোৎ থম্ফম খঙদদুনা থিবা ফংজদ্রগা লাইনা লৌরমগনি হায়না হেক্তা লাইদা তাইশিনবা অদুগুম্বনি। মী অফবশিং অসি অয়াম্বনা পুন্সি তেনগল্লি। অদুনা লাইনা পামদুনা থুনা-থুনা লৌশিল্লি হায়না হায়নবনি অমদি থাজনবনি।

**মীনা নীংবনা অমা, লাইনা তম্বনা অমা :**

ঐখোয়না হোৎনজরিবা, তৌজরিবা, পাঙথোকচরিবা থবক খুদিংমক, তাইবঙ শিন্থা খুদিংমক অসিগী অফ-ফত্ত মহয় পূম্বা ঐখোয়গী খূৎতা লৈতে হায়জরিবা। ঐ ঐগী লাইবক্কী মতুং ইন্না মহয় অফবা নৎত্রগা ফত্তবা হেক হেক ফংনৈ। মহয় চাদ্রবা মতমদনি তাইবঙ মীনা হেক হেক হায়রিবসি মীনা নীংবনা অমা, লাইনা তম্বনা অমা হায়না।

পূন্নমকসিবু নোংদম্বীরিবা তেংপানবা মপূ (ঐখোয় পূন্নমকপু শেম্বী শাবিরিবা অমদি লানবীগদৌরিবা) মহাকপুনি ঐখোয় ময়াম্না লাই হায়না খঙনরিবসে। মহাক্কী খূৎশিল ঙাক্তনি। মসিবুনি ঐখোয়না লাইনা তম্বা হায়না খঙনরিবসি। পোকপগী ঈপান থাবা নুমিৎতা নোংদম্বা লাইনা ঐ ঐগী মপোকসিগী মনুংদা থোক্লগদবা, ওইরগদবা পূন্নমক্তা লোইনা তম্বীরল্লবনি। পাঞ্জিনা চহী চহীগী ওইনা নৎত্রগা থা খরগী ওইনা অমুক মা-মাদুনা অঙ্ক হোৎচবগী ৱাতনি। থাগী নৎত্রগা চহীগী ওইনা নোংদম্বা নত্তে। লৌউবগী নোংমৈ, ইচা ফত্তবা চাউবা ঙাইবা, ইৱা ফত্তবা শিবা ঙাইবা অসিগুম্বা কয়াসি নত্তনা মীওইবা ঐখোয়না সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিদা ফনা হৈশিংলবসু তৌবা ঙমদবা, শিনবা ঙমদবা কোকথোং অমনি। খরি মঙজুম্বী অমদি তরং লাইপাও চেনবী ইমা মাইবীশিংগী য়াপাও অসিনা ইতোং তোঙান্না অঙকপা পোৎ অমনি। হৈ-শিংলবনি হায়বগী মতাগুম্না তাইবঙ মীনা মহৌশা লাইরেম্বীবু শিংনরদুনা অমদি খুদম চল্লগে মতাগুম্না পূন্নমকসিগী মপূ ওইননবা হোৎনরিবা ন্যু ইনভেন্সন্স এন্দ দিসকোভরিসনচিংবা চাওখৎ লমজেল কয়াসিদা মহৌশা লাইরেম্বীনা মীওইবা ঐখোয়দা য়েংলমগদবা অখাবা মীৎয়েং কয়াদুগা খল্লুরবদি মীনা নীংজবা পূম্বা লাইনা থুগাইরমগদবসু মাল্লি নৎত্রগা হৈমন-শিংমনবদগী মশিং থোক্লিব্রা অমদি য়োং মমৈ চপ্লিব্রা? মহৌশাগী খলদা য়াম্না চাউনা অওনবা কয়া লাক্লিবা অইং-অশা, নোংজু-নুংশা চাং কায়রকপা, থৱায় পানবা কয়া হিংবা ঙম্লক্তবা অসিনচিংবা থোকহৈদবা কয়া থোরক্লিবা অসিগা হায়রুরবদি 'মমানা মচাদবু অদুক খাবা মীৎয়েং য়েংলক্কদ্রা?' হায়না খল্লম্বদু খনবা ঙম্লক্ত্রে। অরোইবদা ঐখোয়না খক কাউরোইদবদি 'মীনা শেল্লগা লাই ওই' হায়বসিনি।

**পোল্যুটেদ ইনভাইরনমেন্ট অসিদা ওর্গানিক ফুদকী মফম :**

ঈশিং-নুংশিৎখক নত্তনা হীরম খুদিংমক্তা পোল্যুসন থোক্লবা ঐখোয়গী ইনভাইরনমেন্ট অসিদা ওর্গানিক ফুদ চাদুনা কয়াম সেফ ওইনা হিংবা ঙমগদৌরিবনো হায়বা ৱাহং অমা লৈরে। করি চাদুনা, করম্বা ঈশিং থক্তুনা, করম্বা নুংশিৎপু নিংশা শ্বর হোন্দুনা মালেমগী করম্বা মফমদা চেন্দুনা ঐখোয় নাদ-য়েক্তনা নুংঙাইনা হিংবা ঙমগদৌরিবনো? ওর্গানিক ফুদকী ৱারীসিদি ইনাক খুনবশিংনা লায়রবশিংদগী খরা হেন্না নুংঙাইবা, নাদ-য়েক্তনা ঐদি পুন্সি শাংথনা হিংহৌগে হায়বগুম্বনি। মীনা শিবনা চিন্দা, শানা শিবনা খোঙ্গুলদা হায়। লৌউ-শিংউবদা, শা-ঙা য়োকপদা হু চেনবা হার, তীলহাৎ হীদাক্লচিংবা হীদাকশিং শীজিন্নবা, চিঞ্জাক্তা পোৎয়ান তৌবা অসিনচিংবা কয়াগী মরক্তা লৈরিবা ফুদ চ্যেন সিষ্টেম অসিদবু ঐখোয় কদায়দা চেল্লগা হিংগদৌরিবনো? কঞ্জ্যুমর এৱ্যের্নেস ৱাৎপগা, য়েংশিনবীনবা লোইশঙ লৈতবগা মোরেলগী অমদি অতৈ লেভেল থাদবা চিঞ্জাকশিং পংচাদা চাবগা, জিনেটিকেল্লি হোংলবা হায়ব্রিদ ফুদ ময়াম অমদা ঙাওবগা ঐখোয়গী ইচা-ইশুশিংদা ঐখোয়না থংথরমগদবা ঈ অসি ওন্থোকপা হায়বদুনি।